### রাঞ্চি ট্রোফি ২০২২-২৩

# মণিপুরনা মেঘলায়াবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা রাঞ্চি ট্রোফি ২০২২-২৩গী মণিপুর অমদি মেঘলায়া অনীনা শান্নখিবা মেটচকী ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা মেঘলায়াবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। মেঘলায়াগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৫৩.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৫৭ লৌবা ঙমখি। মণিপুরনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৬৫.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ২২০ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসকী মণিপুরগী বোলিং তৌবদা কিষননা ওভর ১৩.১দা ৱিকেট ৬ অদুগা বিকাশনা ওভর ৩, বিশ্বরজিৎনা ওভর ১০ অমদি জোটিন ফৈরোইজমনা ওভর ১২ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা প্রফুলোমনিনা আউট ওইদনা বোল ৮১দা রন ৫০, কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বনা বোল ৬১দা রন ৪৮, রোনাল্ডনা বোল ১২৫দা রন ৪৩, রেক্সনা বোল ৩১দা রন ২৭ অমদি ফৈরোইজম জোটিননা বোল ৩০দা রন ২০ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা নুমিৎকী মিজোরামগী অনীশুবা ইন্নিংসতা ওভর ৩৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ৯১ লৌখি। ইন্নিংস অসিদা মণিপুরগী বোলর রেক্স অমদি জোটিন ফৈরোইজমনা ওভর ৬ অমদি ১১ লংবদা ৱিকেট ৩/৩, কিষননা ওভর ১২ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি বিশ্বরজিৎনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

ঙসি হুন্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা অনীশুবা ইন্নিংসতা ওভর ৯দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ২৯ লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদুনা মেঘলায়াবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি।

ষ্টেটকী বেটসমেন বি রহমননা আউট ওইদনা বোল ২৭তা রন ১৪, রোনাল্ডনা বোল ২০দা রন ১১ অমদি প্রিয়োজিৎনা আউট ওইদনা বোল ৪দা রন ২ লৌবা ঙমখিবনি।

লোইশিল্লকপদা ষ্টেটকী ওল রাউন্দর কিষননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ষ্টেট রাঞ্চি ট্রোফি টিমনা প্লেট গ্রুপকী সেমী ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজ চঙবা ঙম্লবদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম এন সী এ)গী মায়কৈদগী এসোসিএসনগী সেক্রেটরি লৈশাংথেম রোনেলনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এম এন সী এগী পুৱারীদা গেষ্ট প্লেয়র য়াওদনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্লবা অসি অহানবনি। ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং খক্তনা শান্নবা টিমনা টুর্নামেন্ট অসিদা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীদুনা মতোন লোম্বা ঙম্বা অসিবুসু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অমুক হন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

### ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টাইক্বোন্দো

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): পঞ্জাবকী অমৃতসরদা লৈবা গুরু নানক দেব য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ৯দগী হৌদুনা চত্থরকপা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টাইক্বোন্দো (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা নুপীগী পুমসে টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

মেদল ফংলকখ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিং অদুদি এস টি পি দব্লিয়ু সীগী উমেলি মংশাতাবম, ইরোম বিজেয়া অমদি প্রিয়াদর্শিনী ময়েংবমনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি নুপী টিমগী ওফিসল ওইনা প্রভাবতি কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এস ঐচ প্রসান্তনা মেনেজর অদুগা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী পি ঈ টি, ৱাই শান্তিবালানা কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

### রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সেমী ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এডল্টস এসোসিএসন (উপা) ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১২শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম মরিনা থা অসিগী ১৩দা সেমীফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

অপুনবা এফ সী অরাপ্তি অমদি উপা-বি ক্যামগৈ অনীনা নুংথিল পুং ১দা অহানবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ২দা বোলেরো এফ সী বামোন লৈকাই অমদি অরাপ্তি এফ সী অনীনা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা যূম্বু টিম ওইরিবা উপা-বি ক্যামগৈনা তোমথিন এফ সী অৱাং খুনৌবু ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিদা ক্যামগৈগী নুপামচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা নাওবনা শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি।

এলেননা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা ক্যামগৈ টিমগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনখি। ইথোইনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা উপা-বিগী ৪শুবা গোল চনখি।

তোমথিন এফ সীগী গোল ২ অদুনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৭ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা অমমম্ চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এন অরুনকুমারনা ক্যামগৈগী লোয়াঙম্ববু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

### য়ু-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে এফ সী, পি এফ সী, আর এফ সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা দিলবুং কামচোর মেমোরিএল অহানবা অন্দর-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ ৩দা ককচীং ফুটবোল ক্লব (কে এফ সী), পোলোই ফুটবোল ক্লব (পি এফ সী) ইম্ফাল ইষ্ট অমদি রেগ্যুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টর (আর এফ সী সী) বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা কে এফ সী ককচীংনা সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস দি সী) ইম্ফাল ৱেষ্টপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা ৱাহেংবম ব্রিনিশনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা ককচীং টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি মোইরাংথেম ননাওনা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা এস দি সীগী লাইশ্রম ফালগুনি অমদি হুইদ্রোম শ্রিনিভাস অনীবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। রেফরিনা এস দি সীগী য়ুরোম্বম জেক্সনসু শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল শান্নখিবা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা পোলোই ফুটবোল ক্লব (পি এফ সী)না নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) ইম্ফাল ইষ্টপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু এম দি ৱাজিৎনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি কে বিশালনা পি এফ সীগী কেপ্টেন মোহমদ জয়েদ অমদি নেসুগী কেপ্টেন য়োহেনবা থাংজম অনীবু শান্নবগী ৪৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা আর এফ সী সী বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ফুটবোল ক্লবপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

আর এফ সী সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু কেপ্টেন নিংঙোম্বম সনাথোই অমদি হৈগ্রুজম রোকনা শান্নবগী ৭ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা গ্রুপ বিগী মেটচ অনী অমদি গ্রুপ সীগী মেটচ অমা পূন্না মেটচ ৩ শান্নরগনি।

# বিন্দেশ্বরী চনু চেম্পিয়ন ওফ চেম্পিয়ন্সকী রেফরি পেনেল খল্লক্লে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): কারাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসনগী লমজিং মখাদা ন্যু দিল্লীগী টলকাটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৪ অমদি ১৫দা ভারৎ কারাটে একাদেমিনা হোষ্ট ওইদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন ওফ চেম্পিয়ন্সকী টেক্নিকেল ওফিসল অমদি রেফরি পেনেল ওইনা কারাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসননা খল্লক্লে।

কারাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসননা এপ্রুভ তৌবা চেম্পিয়ন ওফ চেম্পিয়ন্স হায়না মিংথোনবা কারাটে লীগ অসিদা ৱর্ল্ড কারাটে ফেদরেসনগী রুলস এন্দ রেগ্যুলেসনগী মনুং চন্না রাউন্দ রোবিন বেসিসতা পাঙথোক্কনি।

পনবা য়াবদি, রেন্সি সোইবম বিন্দেশ্বরী চনু এসিয়ন কারাটে দো ফেদরেসনগী ক্বালিফাই জজ অমসুনি।

অমরোমদা, মণিপুর এমেচর কারাটে দো এসোসিএসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি মুতুম বঙ্কিমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা বিন্দেশ্বরীবু রেফরি পেনেল ওইনা খল্লকপদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

### দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ু বি এস এনা এ আই এফ এ থোইদুনা সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা চত্থরিবা ১৭শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ুবিএসএ) মান্তকনা ওলইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) ইরেংবন্দবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



মায় পাকখিবা য়ু বি এস এ মান্তকনা সেনা এথলিট ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীংগা থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ১.৪৫দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

এ আই এফ এ অমদি য়ু বি এস এ অনীনা শান্নখিবা মেটচতা মান্তক টিমগী লৈভোন জেটলি কোমনা শান্নবা হৌরকপগী ১২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সোমেন্দ্রোনা শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা মান্তক্কী লৈভোন জোসেফ কোমনা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা য়ু বি এস এগী অনীশুবা গোল চনখি। চুংনৈগির কোমনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা মান্তক টিমগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমীফাইনেলদা এস দি ও পল্লেল অমদি এস দব্লিয়ু সী কৈরক অনীনা থা অসিগী ১৪দা লম্বা তৌনরগনি।

### ৭শুবা পুপু কপ ২০২৩

# লৌশাংখোং অমদি পুংদোংবম দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৭শুবা পুপু কপ লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ ওপন ৯-এসাইদ মেন্স ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ৱাই এস সী লৌশাংখোং অমদি ৱাই দি সী এল-বি পুংদোংবম ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।



পুংদোংবমগী গোলশিং অদু রাজেশনা ২ অমদি ভুমেশ্বরনা ১ চনখি। লৌশাংখোংগী গোলশিং অদুনা কম্মান্দর, গোবিন অমদি রোহিটনা চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ সীগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লম্লাই এফ সীনা ৱাফা ৱাঙ্গোইবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লম্লাই এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বিজ্ঞানন্দনা ২ অমদি জিতেননা ১ চনবা ঙমখি।

### চন্দ্রনদি ট্রোফি

# ৱাই দব্লিয়ু এনা এল ৱাই এস এস য়ু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা পূন্না খূৎশম্নবা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চত্থরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা ৱাই দব্লিয়ু এ ৱাঙ্গোইনা এল ৱাই এস এস য়ু চজিংবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাঙ্গোই টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু জেনিশনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ৱাঙ্গোইগী পিয়াবুং অমদি লময়ানবা অদুগা চজিংগী দব্লিয়ু অজেদ অমদি প্রবিন য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা গ্রুপ এফকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাংজিং য়ুনাইটেদ অমদি এথলেটিক দি পুইচি ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।




ৱাংজিং টিমগী গোল অদুনা জয়চন্দ্রনা ২শুবা মনিটতা চনখি অদুগা এথলেটিক দি পুইচিগী গোল অদুনা ৱাংজিংগী উমাকান্তনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইখি।

# এস দি ও পল্লেল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ইরেংবন্দ হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দি ও পল্লেলনা ৱাই ও সী এফ সী তেন্থাবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মখোননা অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা এস দি ও পল্লেলগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এস দি ওনা তেন্থা টিমবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

# মরুপ এফ সী, মুক্তা এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা প্রধান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মরুপ এফ সীনা আই ঈ এস এ পোরোম্পাৎপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মরুপ এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু থোইবনা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মুক্তা এফ সীনা সন্থেল এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোল ২ অদু ইনাওতোন অমদি অবোইনা শান্নবগী ৪ অমদি ২৭তা চনখি।

### টুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল

# মাইকেল, অমর্জিৎকী গোলনা জি দি সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): মাইকেল অমদি অমর্জিৎনা চনখিবা গোল ২/২গী মতেংনা জি দি সী থিনুঙ্গৈনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)বু ৪-২দা চত্থরিবা অহানবা টুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি নম্বোল কোংখামদা লৈবা টুগপু গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

মাইকেলগী গোল অনী অদুনা শান্নবগী ৩৪ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা চনখি। অমর্জিৎকী গোল ২ অদুনা শান্নবগী ৩৬ অমদি ৪১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

মণিপুর পুলিস টিমগী গোল অনী অদুনা ঙমখোলেন অমদি খেমনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৩ অমদি ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরি সী ঐচ সেমসননা মণিপুর পুলিসকী বোইবোইসনা অমদি সৈলেশ্বর শান্নবগী ৩৫ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা অদুগা থিনুঙ্গৈগী টি ঐচ হেরোজিৎ শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা লীগতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি টুগপু নম্বোল ইরাই নুমিৎতা থেংনরগনি।

### ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# লিৱা সরৈ নুপীগী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী কাঙলূপ্তা লিৱা সরৈনা মোন্সাং পান্থা ৱিমেন্স সোসাইটিবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

দব্লিয়ু সালোমিনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা অমদি ৬শুবা মিনটতা লিৱা সরৈগী মায় পাকপগী গোল ২মক চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ওপন কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিৱা চাংনিং-এনা খোরিবুংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিৱা চাংনিংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন জি বিশ্বরজিৎ, এন জি দেভিদ অমদি কে ঐচ গিভসননা শান্নবগী ৪, ৬১ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ভেটরান কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জাফৌনা মোন্সাং পান্থাবু টাই ব্রেকতা ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা নোর্মেল টাইমগী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। জাফৌগী গোল অদুনা কে ঐচ অংনিংনা চনখি অদুগা মোন্সাং পান্থাগী গোল অদুনা বেদিসননা চনখি।



HL-P/5597/12-18

# রুংচাংনা তৌপোকপী থোইখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): চকপীকারোং সব-দিভিজন স্পোর্টিং এসোসিএসননা শীন্দুনা চকপীকারোং পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীটকী ফুটবোল মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রুংচাং ৱাই এসনা তৌপোকপী এফ সীবু ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

রুংচাংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোনিরিং অমদি কোসোরিংনা ২/২ চনখি। তৌপোকপীগী গোলশিং অদুনা মাসম, প্রেম অমদি জয়লুনসিংনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চরোংচিং য়ুঠ ক্লবনা রিভরলেন য়ুঠ ক্লবপু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চরোংচিংগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু ফোলরিং অমদি ঙমথারৱনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা চকপীকারোং য়ুঠ ক্লবনা খুবুং খুনৌ নোবোকোমবু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চকপীকারোংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বেনোনা ৩, ফোলসননা ২ অদুগা থুমথা অমদি কার্গিলসননা অমমম্ চনখি।

# 'সেকেন্দ দিভিজন আই লীগতা ক্লাসা থাবীয়ু'


ইম্ফাল,জান্যুৱারী ১২(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগকীদমক নোমিনেট তৌখ্রবা ক্লব অদু শীন্দোকপীরগা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী রন্নর্স অপ তাখিবা অদুগা ১৪শুবা অমদি ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্লাসা এফ সীবু অমুক হন্না খন্নবীদুনা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ নোমিনেট তৌবীয়ু হায়না ক্লাসা এফ সীগী ট্রেজরর ডা. সী ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কৈনৌদা লৈবা ক্লাসাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়খিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা অম্ফাগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবা ক্লাসানা পার্টিসিপেসন ফী থীবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফম অরানবনি। কুমজা ২০২১দা এ আই এফ এফনা টিম ১৮ সেলেক্সন তৌবদা য়াওরক্তবনা ফী থীফম থোক্ত্রে হায়দুনা ফী থীদবনি। অদুগা অমনা কোভিদনা কুইনা লেপ্পুরবা এম এস এলগী ১৪শুবা ইদিসন অমুক মখা চত্থরকখি। হায়রিবা অসিদা মমাং চহীগী ফেব্রুৱারী ৩দা লীগ অসি লোইশিন্দুনা ক্লাসানা ৱিন্নর ওইখি। মসিদা বেজ তৌরগা অম্ফানা ২০২২গী জুন ৮দা আই লীগ কাওনীংবশিং এপ্লিকেসন থাজিল্লক্লবা হায়রকখি। মখা তানা জুন ৯দা এপ্লিকেসন থাজিনখি। অদুবু এ আই এফ এফনা পীরকপা নোমিনেসন ক্রাইটেরিয়া অসিদা সী এম এস তৌদবা অসি য়াগদ্রা হায়দুনা অম্ফাদা হংখি। মদুদা অম্ফাগী মায়কৈদগী জুন ৩০দা টুর্নামেন্ট অসি কোভিদনা মরম ওইদুনা সী এম এস তৌখিদ্রে অদুনা নম্বর ১ ওইখিবা ক্লাসা অমদি নম্বর ২ ওইখিবা এস এস য়ু অসি রিকন্সিদর তৌবীয়ু হায়না চে থাখি হায়খি।

অসিগুম্বা য়াম্না নুংঙাইতবা অরানবা চার্জ ময়াম তৌরকপা অসিমক তশেংনা নুংঙাইজদে। মরম অদুনা ক্লাসা এফ সীবু অমুক হন্না খন্নবীদুনা নোমিনেট তৌদুনা আই লীগ অসিবু থাবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 685

GM Nicholas Pert (2540) - Andrew McClement (2226)
4NCL 2022-23 Daventry ENG, 2022.10.22

1.d4 Nf6 2.Nf3 e6 3.c4 b6 4.g3 Ba6 5.Qc2 Bb7 6.Bg2 c5 7.d5 exd5 8.cxd5 Nxd5 9.O-O Be7 10.Rd1 O-O 11.a3 Nf6 12.Nc3 Qc8 13.e4 d6 14.Bf4 Rd8 15.Rd2 Nh5 16.Be3 h6 17.Rad1 Qe6 18.h3 Nd7 19.Nh2 Ne5 20.Nd5 Bxd5 21.exd5 Qc8 22.g4 Nf6 23.f4 Ng6 24.Nf3 Bf8 25.f5 Ne5 26.Nxe5 dxe5 27.d6 e4 28.Bxe4 Nxe4 29.Qxe4 Qd7 30.Bf4 Rac8 31.h4 c4 32.g5 hxg5 33.hxg5 Re8 34.Qf3 Rc5 35.Rh2 Qxf5 36.Qh3 Qxh3 37.Rxh3 Rd8 38.d7 Rc6 39.Kg2 Bc5 40.a4 Kf8 41. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 684 Ans. :**

13. Nxd6+ The white knight captures Black's pawn, which was defending the square c5.
Bxd6 14. Bxd6 The white bishop captures Black's bishop, which was defending the square c5. Qa7 15. Nb5 axb5 16. Bxb5+ Bd7 17. Bxd7+ The white bishop trades and lures Black's king to the square d7. Kxd7
18. Bb8+ With a discovered check by the white rook.
18. Bc5+ With a discovered check by the white rook. Ke8 19. Bxa7
18. ...Ke7 19. Bxa7
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com